ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা লাইকোন প্রাইমারী স্কুলগী ওজাশিং অমদি মহৈরোয়শিংনা স্কুলগী অকোয়বদা শিৎ-শেংদুনা প্লাষ্টিক ৱেষ্টশিং নীংথিনা খোমজিনখিবা

SAY NO TO PLASTIC
STOP SINGLE USE PLASTIC
REDUCE REUSE RECYCLE LAIKON

লামায় ৪

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি হাওবিজম যোগেসচন্দ্রনা লুচিংবা টিম অমনা হাপ্তা কাংজেবুং অমদি অকোয়বগী মফমশিংদা ক্লিনলিনেস দ্রাইভ চখ্তদুনা শিৎ-শেংখিবা

Emerging MANIPUR
MARCH | 10 | 2021
CLEANLINESS DRIVE - BAN ON SINGLE USE PLASTI
IMPHAL EAST DI

লামায় ৪

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংগী প্রোব্লেম লৈঙাক্না লোইশিনবীয়ু হায়না মণিপুর মার্কেট দিভলপমেন্ট এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোকখিবা

(MMDA)
Head Office: Sagolband Kangabam Leikai, Imphal 795001

লামায় ৪

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবালগী মীৎয়েং মখাদা থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল, থৌবাল পুলিস, এন ৱাই কে, পোৎফম ফন্বীশিং অমদি সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংনা থৌবাল কৈথেলগী অকোয়বদা লূ-নানবগী দ্রাইভ চথখিবা

লামায় ৪

তরাম্না ওকচরি

ইম্ফাল, মার্চ ১০ (ঐচ এন এস) :

লাইনিংথৌ সনামহী টেম্পল বোর্দকী প্রসিদেন্ট ওইনা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেববু খনবীরকপদা নত্তনা ভাইস প্রসিদেন্টদা এম এল এ রামেশ্বর মীতৈ অমদি সেঞ্জম ৱাখল লমজিংবা অমসুং মেম্বর সেক্রেটরি মৈস্নাম শিবদত্ত লুৱাংবু খনবীরক্তুনা থৌ পুননবা ৱাশক লৌখিবা অসি তরাম্না ওকচরি। মসিনা মীতৈ খুন্নাইসিগী ইপা-ইপু সলাইচাগী পুন্সি য়েন্নিং শোয়দনা হুল্লক্লগনি খঞ্জে। লাইনিংথৌ লৈমরেননা থৌজাল পীবীদুনা বোর্দ অসিবু অশোয়-অঙাম য়াওদনা, য়ৈখাই থিনগাইবা, য়েৎশিনবীবা লৈতনা থৌদাং পাঙথোকহনবীবা ওইরসনু হায়না কংলৈ সনামহী লাইনিং লূপ লংথবাল কুঞ্জগী সেক্রেটরি সগোলশেমচা য়াইখোম্বা মঙাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

নুপা অমা শিদুনা লৈরক্লে

ইম্ফাল, মার্চ ১০ (ঐচ এন এস) :

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা সেকমাই খুনৌ মনিংদা লৈবা কেরম তুরেল মনাক্তা ঙসি অয়ুক অঙনবদা নুপা অমা শিরগা লৈরক্লে। অশিবা হকচাং অদু অয়ুক অঙনবদা লম্বীদা ৱাকিং চৎপা মীওই খরনা হান্না থেংনরকপদগী পুলিসতা পাউ পীরগা মীয়াম খঙনরকখিবনি।

লৈখিদ্রবা নুপা অদুগী মমিং বির বহাদুর ছেত্রি (৫৫), অপোকপা দিল বহাদুর ছেত্রি কৌই। মহাক কংলাতোংবীদগী লাক্লগা হৌজিক্লা উখুলদা থবক শুদুনা লৈবনি। অশিবা হকচাং ফংফম অদুদা ফোরেন্সিক সাইন্সকী টিম অমদি সেকমাই পুলিসকী টিম অমা লাক্তুনা কুপ্না য়েংশিল্লবা মতুংদা রিমসকী মোর্গতা পোষ্ট মোর্টেম তৌনবা হকচাং অদু পুলিসনা লৌখৎলগা মোর্গতা থমখ্রে হায়রি।

থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১০ (ঐচ এন এস) :

শগোলবন্দ তেরা কৈথেলদা লৈবা আইদিয়েল ক্লবকী চহী ৭৫ শুরকপগী প্লেটিনম জুবিলি থৌরম ঙরাং ক্লব অসিগী শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে। নুমীৎ অসিদা ক্লব অসিবু লিংখৎলম্বা লৈখিদ্রবা অহল-লমনশিংগী মফমদা মিনিট ২ তুমীন্না লেপ্পুনা ঈকায়খুম্নবা অমদি হৈকৎ-লৈকৎ তমখি। ক্লব অসিগী থৌ পুবীরম্বা অমদি হৌজিক লৈরিবশিংদা সোল অমমম পীদুনা ঈকায়খুম্নখি।

থৌরম অসি চহী অমা চুপ্পা তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়াগা লোয়ননা পাঙথোকপনি। ক্লব অসিগী সেক্রেটরি অয়েকপম লেম্বনা ফোঙদোকখিবদা, ক্লব অসি ইন্দিয়া নীং-খা তমদ্রিঙৈদগী হৌনা লিংখৎলম্বা খ্বাইদগী অরিবা ক্লব অমনি। ঙসিগী থৌরম অসি অতৈ ক্লবশিংগা মান্নদবা মওংদা ভি আই পি অমত্তা য়াওহন্দনা মতম-মতমগী ক্লব অসিবু থৌ পুবীরম্বশিংবু ঈকয়খুম্নবা উৎচবনি। ক্লব অসিনা ঙসি ফাওবদা শান্ন-খোৎনবদা, এদ্যুকেসনদা অমদি অতৈ হীরম কয়াদা খুন্নাই অসিগীদমক থবক থৌরম কয়াসু পায়খৎতুনা লাকখি হায়রি।

দি আই টাটানা থোম্বদা ১ শিরে

ইম্ফাল, মার্চ ১০ (ঐচ এন এস) :

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা টিদ্দিম লম্বীগী কৈনৌ কৈথেলগী মনাক্তা নুপী অমা দি আই টাটানা থোম্বদগী লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রে।

থৌদোক অসি ঙসি নুংথিল পুং ১ রোম তাবা মতমদা থোকখিবনি। লাইবক থীবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা নুপী অদুগী মমিং চনথোই হুলং (৬১), মপুরোইবা ৱাংথি হুলং কৌই। মহাক চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা খুদাং খুনদগী লাক্লগা হৌজিক্লা সঞ্জেন্থোংদা অশানবা য়ুম অমদা লৈবনি। থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা দি আই টাটা (এম এন ০২ জি/২৬৪৬) অসিগী দ্রাইভর অমদি হেন্দিমেন নাম্থোক্তুনা চেনখ্রে।

নুপী অদুগী মশাদা ঙা অশেম্বা খরা, এন্সাং-নাপী খরা অমদি শেল ওইনা লুপা ২,৫২০, আধার কার্দ, এ টি এম কার্দনচিংবা য়াওরমখি হায়রি। থৌদোক অসিগী মতাংদা বিষ্ণুপুর পুলিসনা কেস অমা লৌখৎখিবগা লোয়ননা অশিবা হকচাং অদু রিমসকী মোর্গতা পোষ্ট মোর্টেম তৌখ্রে হায়রি।

অসাম রাইফলস ত্রাঞ্জিট কেম্পকী গেট মনাক্তা বোম পোকখায়খ্রে, অমা শোক্লে

ইম্ফাল, মার্চ ১০ (ঐচ এন এস):

সিক্যুরিটিনা কূংনা লৈরিবা ইম্ফালগী মিনুথোং মনাক্তা লৈবা অসাম রাইফলস ত্রাঞ্জিট কেম্পকী মেন গেট ময়াদা শকখঙদবশিংনা হেন্দ গ্রেনেদ অমা লংশিল্লম্বদগী পোকখায়খ্রে। বোম পোকখায়বা অদুদা এ আরগী পর্সনেল অমা শোক্লে।

থৌদোক অসি ঙসি নুমীদাং পুং ৮ তারমদাইদা থোকখিবনি। শকখঙদবশিংনা লংশিল্লম্বা হেন্দ গ্রেনেদ অদু মেন গেটকী মনুংদা তারগা পোকখায়রকপদা মফম অদুদা মথৌ তৌদুনা লৈবা ৪৩ শুবা অসাম রাইফলসকী পর্সনেল বিনোয় নয়ার (৩২) কৌবা অমা য়েৎথংবগী খুৎকী পাম্বোমদা শোকখি। মহাক আই জি এ আর-সাউথকী কেম্পতা পুদুনা লায়কন্নখ্রে।

বোম পোকখায়বা অদুদা এ আরগী ত্রাঞ্জিট কেম্পকী গেট, য়োৎ অপাকপা অদু বোমগী স্পিন্টরনা পান্দুনা জরপ শাখি। থৌদোক থোকফমদা গেট লোনশিল্লগা ফোরেন্সিক সাইন্সকী কাঙবু লাক্তুনা য়াম্না কুপ্না য়েংশিনখি। অসাম রাইফলসকী মকোক থোংবা ওফিসরশিং অমদি ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস পি, কে মেঘচন্দ্রসু মফমদুদা লাক্তুনা য়েংশিনখি।

বোম অসি কনানা করি মরমগীদমক পোকখায়হল্লম্বনো হায়বদু হৌজিকমক্কী ওইনদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অদুবু থৌদোক অসি মতৌ করম্না থোকখিবনো হায়বদু পুলিসনা থিজিনবদি হৌখ্রে।

পনবা য়াবদি, থেঙ্খাং কয়ারক্তা অসাম রাইফলস ত্রাঞ্চিট কেম্পকী গেট অমদি ৱালগা তাইনবা শরুকশিংদা বোম পোকখায়বগী থৌদোক কয়া থোকখ্রবনি।

মীওই ১২৫২ টেষ্ট তৌবদা ৭ পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১০ (ঐচ এন এস):

হৌখিবা মার্চ ৯গী নুংথিল পুং ৫দগী মার্চ ১০গী নুংথিল পুং ৫ ফাওবদা মীওই ১২৫২ টেষ্ট তৌবদা মীওই ৭ খক কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রে।

কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমদগী ঙসি নুংথিল পুং ৫ ফাওবগী রিপোর্টতা য়ুম্ফম ওইরগা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা নুপা ৪ অমসুং নুপী ৩ য়াওনা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ৭ নৌনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনরে। পোজিটিভ কেসশিং অসি এদভান্স হোস্পিটালদা ১, রাজ মেদিসিটিদা ১, ববিনা দাইগ্নোষ্টিক্সতা ১, শিজ হোস্পিটালদা ১, জীবন হোস্পিটালদা ১, বিষ্ণুপুরদা ১ অমসুং সেনাপতিদা ১ থেংনখি। জেনরেল পোপ্যুলেসনগী পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অসিগী মনুংদা ইম্ফাল ইষ্টতগী ১, ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ২, বিষ্ণুপুরদগী ১, ককচিংদগী ১, সেনাপতিদগী ১ অমসুং তেংনৌপলদগী ১ য়াওরি। মীওইশিং অসিগী মথৌ তাবা মেদিকেলগী চেকশিন থৌরাংশিংসু লৌখৎখ্রে।

নৌনা থেংনখিবা কেসশিং অসি থারগা মণিপুরগী অপূনবা কেস মশীং ২৯,৩০৫ শুরে। কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ২৫,৮৭১ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ৩৪৩৪ নি। লায়নালাইচৎ অসিদগী ফগৎলক্লবা অপূনবা কেস মশীংনা ২৮,৮৯৭ শুরে। ফগৎলক্লবা কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ২৫,৪৬৮ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ৩৪২৯নি। ফগৎলকপগী চাংনা চাদা ৯৮.৬০ নি। অদুগা কেস ৩৫না এক্টিভ ওইরি। এক্টিভ কেসশিং অসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ৩৪ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ১ য়াওরি।

হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা লায়নালাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা লৈখিদবগী রিপোর্ট অমত্তা লৈখিদে। অমরোমদা মণিপুরগী ওইনা মার্চ ৯ ফাওবদা পুন্না মীওই ৭২,৩৮৭তা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন কোভিসিল্ড কাপখ্রে হায়রি।

থৌবাল কৈথেলদা লূ-নানবগী দ্রাইভ চথখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১০ (ঐচ এন এস):

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবালগী মীৎয়েং মখাদা থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল (টি এম সী), থৌবাল পুলিস, নেহরু য়ুব কেন্দ্র (এন ৱাই কে), পোৎফম ফন্বীশিং অমদি সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংনা পুন্না শীন্দুনা ঙসি থৌবাল কৈথেলগী অকোয়বদা লূ-নানবগী দ্রাইভ অমা চথখ্রে।

‘সে নো টু প্লাষ্টিক’ হায়বা হীরমদা ঙসি পাঙথোকখিবা লূ-নানবগী দ্রাইভ অদুদা শরুক য়াখিবা টি এম সীগী এগজিক্যুটিভ ওফিসর হৱাইবম প্রদীপ কুমারনা ফোঙদোকখিবদা, ঐখোয়গী অকোয়বগী ফীভমদা প্লাষ্টিক্কী অমোৎ অকায়না থনজিল্লকপা অসি ঐখোয়না তরাইনা লৌফম থোক্তে। প্লাষ্টিক্লা ঐখোয়দা পীরিবা খুদোংথিবশিং খঙমিন্নদুনা মতম লৈরিঙৈদা প্লাষ্টিক লৈতবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট অমা, মণিপুর অমা ওইহনবদা ঐখোয় খুদিংমক্না থৌদাং লৌমিন্নসি হায়না মীয়ামগী পূক্নিং চিংশিনখি।

প্রদীপ কুমারনা মখা তারদুনা হায়খি, ৱান টাইম প্লাষ্টিক শীজিন্নবা থিংলে হায়না টি এম সীনা ওর্দর অমা মমাঙথক্তা থোকখ্রবসু ঙসিগী দ্রাইভ অসিদা থেংনরিবা প্লাষ্টিক ময়াম অসিনা খঙলে মদুদি মফম অসিদা প্লাষ্টিক শীজিন্নরি হায়বসি। মরম অদুনা থৌবাল কৈথেলদা পোৎফম ফন্বী ইমা-ইবেলশিং অমদি দুকানশিংদা ৫০ মাইক্রোনগী মখাদা লৈবা প্লাষ্টিকশিং শীজিন্নবীগনু, পোৎ লৈবীরিবশিংনসু য়ারিবমখে ৫০ মাইক্রোনগী মথক্তা লৈবা চেখাওশিং নৎত্রগা পোৎ পুনবা খাওশিং পুবীরকউ হায়নসু মীয়ামগী পূক্নিং চিংশিনখি।

টি এম সীনা মহুদ অমদি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মখাদা হান্নদগীসু লূ-নানবগী দ্রাইভ অসি লেপ্পুনা তৌরক্লিবনি। অদুবু হেন্না মপুং ফানবা অমদি মণিপুর লৈঙাক্কী চহী ৪গী এচিভমেন্ট উৎপা ওইনা থৌবাল পুলিস, এন ৱাই কে অমদি ইমা-ইবেলশিংগা খুৎশম্নরগা দ্রাইভ অসি তৌজবনি। মখা তানসু টি এম সীনা লূ-নানবগী দ্রাইভ অসি লেপ্পুনা তৌখিগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ইম্ফাল ইষ্টতা প্লাষ্টিক ৱেষ্ট কে জি ৭৯৯৯.২৮ রোম খোমগৎখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১০ (ঐচ এন এস):

সিটিজন সেন্ট্রিক গভর্ণান্স চহী ৪ মপুং ফারকপগা মরী লৈননা ইম্ফাল ইষ্টকী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা সিঙ্গল য়ুজ প্লাষ্টিকশিং বেন তৌবগী এৱ্যেরনেস পীখিবগা লোয়ননা ক্লিনলিনেস দ্রাইভ পাক শন্না চথখ্রে। দ্রাইভ অসিদা প্লাষ্টিক ৱেষ্ট কে জি ৭৯৯৯ রোম খোমগৎখ্রে হায়রি।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নার খুমন্থেম দাইনানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনসু এস পি ইম্ফাল ইষ্ট অমদি পি ঐচ ঈ দি ইম্ফাল ইষ্ট দিভিজনগী টিমশিং অমসুং ইম্ফাল ইষ্টকী দি সীনা ঙসি অয়ুক পুং ৭ তাবদা সঞ্জেন্থোংদা ক্লিনলিনেস দ্রাইভ অসি হৌদোকখি। তুংদা পোরোম্পাৎতা লৈবা দি সী ওফিস কমপ্লেক্সতা দি সীগী ওফিস ষ্টাফশিং, ইলেক্সন দিপার্টমেন্টকী ষ্টাফশিং, বি দি ও শওম্বুং, হৈঙাং, ক্ষেত্রিগাও অমদি কৈরাও সী দি ব্লোক্কী ষ্টাফশিং অমদি ইম্ফাল ইষ্ট জিলা পরিষদ য়াওনা ক্লিনলিনেস দ্রাইভ অসি চথখি। মসিগীসু মথক্তা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুং চন্না লৈবা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টকী থাক্তা লৈবা ওফিসশিং অমদি হেল্থ সেন্টরশিংদসু মরী লৈনবা ষ্টাফশিংনা লূ-নানবগী দ্রাইভ অসি চথখি। লৈঙাক্কী স্কুলশিংদসু মরী লৈনবা ওফিসকী ষ্টাফশিং অমদি মহৈরোয়শিংনসু শিৎ-শেংবগী থবক চথখি। অর্বান লোকল বোদিশিং অমদি গ্রাম পঞ্চায়টশিংদসু শিৎ-শেংবগী থবক অসি চথখি।

ক্লিনলিনেস দ্রাইভ অসিদা প্লাষ্টিক ৱেষ্ট কে জি ৭৯৯৯.২৮ রোম খোমগৎলবা মতুংদা ইম্ফাল ইষ্টকী ইমপ্লোয়মেন্ট এক্সচেঞ্জ নাকলদা লৈবা গ্রাউন্দদা পৈদুনা মখা তানা খোমগৎখিনবা থমখি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারক্লি।

অমরোমদা, চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্নসু শীন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা মাস ক্লিনলিনেস দ্রাইভ চথখ্রে।

মাস ক্লিনলিনেস দ্রাইভ অসি দি সীগী মীৎয়েং মখাদা এদিসনল দি সীনা মোনিটর তৌরগা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওফিসরশিং অমদি সব-দিভিজনল ওফিসরশিংনা চথখিবনি। মেদিকেল দিপার্টমেন্টকী ষ্টাফশিংনসু চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শিৎ-শেংদোকখি। দি ৱাই এস ও, দি এফ ও, পুলিস, আই আর বি, পি দব্লিয়ু দি, সোসল ৱেলফ্যের, পি ঐচ ঈ দি, এন ৱাই কে, দি আর দি এ, এগ্রিকলচর, হোর্টিকলচর, এ দি সী সী, বেঙ্কশিং, সী এ এফ এন্দ পি দি, ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি, দি টি ও, কোওপরেটিভ দিপার্টমেন্টকী ষ্টাফশিং অমদি সোপ কিপ্পর এসোসিএসন্নসু টিদ্দিম রোদ, রেংকাই রোদ, চুড়াচান্দপুর বজার এরিয়া, আই বি রোদ, টিপাইমুখ রোদকী টাউন এরিয়াদা লম্বীগী নাকলদা লৈবা ফত্ত-হাওদিশিং অমদি দ্রেনশিং শেংদোকখি হায়রি।

‘ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংগী প্রোব্লেম লোইশিনবীয়ু’

ইম্ফাল, মার্চ ১০ (ঐচ এন এস) :

মতম কুইনদগী ৱাজরক্লবা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংগী প্রোব্লেম অসি লৈঙাক অসিনা লোইশিনবীয়ু। লৈঙাক্না চীনগা খুৎকা মান্নগনি হায়বদু থবক্তা ওম্থোকপীরো হায়না মণিপুর মার্কেট দিভলপমেন্ট এসোসিএসন (এম এম দি এ)গী সেক্রেটরি এস ঐচ রাজেন্দ্র মীতৈনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা এস ঐচ রাজেন্দ্রনা হায়খি, মমাঙগী লৈঙাক্কী মতমদা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিং অসি মফম চানা লোইশিল্লু, কৈথেলগী অকোয়বদা চাইহল্লু হায়না শিনফম অমসুং শক্তম কনবা লূপনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু ঙসি ফাওবা থবক্তা ওম্থোকপীদনা লাক্লি। অদুবু হৌজিক্তি বি জে পি লৈঙাক লৈরবনিনা অচুম্বা ৱায়েল চৎনহন্দুনা চান্নবা মফম য়েংদুনা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংগী প্রোব্লেম লোইশিনবীরো। ইম্ফাল সিটিগী অকোয়বদা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংগী লৈরিবা প্রোব্লেমশিং অসি কোকহন্ননবা মতিক চাবা থবক পায়খৎপীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

ফ্রন্টলাইন ৱর্করশিংদা টিকা থাখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১০ (ঐচ এন এস) :

সী আর পি এফ ইম্ফালগী কম্পোজিৎ হোস্পিটালদা ঙসি অয়ুক পুং ৯ দগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসনগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

কম্পোজিৎ হোস্পিটালগী দি আই জি (মেদিকেল) না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুর অমসুং নাগালেন্দ সেক্টরগী মখাদা লৈবা সী আর পি এফকী ফ্রন্ট লাইন ৱার্কর অমসুং হেল্থ ক্যের ৱার্কর কয়ামরুম কোভিদ-১৯ ভেক্সিনগী অহানবা অমসুং অনীশুবা দোজ কাপখি। পুন্না পর্সনেল ২০৯ ভেক্সিন কাপখিবগী মনুংদা ফ্রন্ট লাইন ৱার্কর ১৬৮ দা অহানবা দোজ কাপখি। হেল্থ ক্যের ৱার্কর ২২ অমসুং ফ্রন্ট লাইন ৱার্কর ১৯ দনা অনীশুবা দোজগী ভেক্সিন কাপখি হায়রি।

হোৎনরবদি হেল্থ সেক্তরদসু মণিপুর মালেমনা শীংথানবা মফম অমা ওইবা ঙমগনি : এস রাজেন

ইম্ফাল, মার্চ ১০ (ঐচ এন এস):

লমদম অসিদা য়েলহৌঙৈদগী চৎনরক্লিবা অনা-লায়েংগী পথাপশিং অমদি হিদাক-লাংথকশিং অসি মতমগা চান্নবা, হেন্না অফবা মওংদা পুথোক্তুনা শীজিন্ননবা হোৎনরবদি মেদিকেল অমদি হেল্থ সেক্তরদসু মণিপুর মালেমদা শীংথানবা মফম অমা ওইবা ঙমগনি হায়না এদ্যুকেসন মিনিষ্টর সোরোখাইবম রাজেননা ফোঙদোকখ্রে।

ইনষ্টিট্যুট ওফ বাইও রিছোর্সেস এন্দ সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট ইম্ফালনা শীন্দুনা মেনেজিং বাইও রিসোর্ছ ওফ নোর্থ ইষ্ট রিজন ফোর অত্মানির্ভর ভারত হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা নেসনল সেমিনার অমা তাকয়েলপাৎতা লৈবা আই বি এস দিগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

NATIONAL SEMINAR ON
aging Bioresources of NER - for an Atmanirbhar Bharat"
Organised by:
itute of Bioresources and Sustainable Development (IBSD)
(Department of Biotechnology, Government of India)
Time: March 10, 2021 Time: 10.30 am

থৌরম অদুদা মিনিষ্টর এস রাজেননা মখা তানা হায়খি, লমদম অসি ফুরুপ কয়ানা পুন্না খুন্দাবা লমদম অমনি। ফুরুপশিং অসিগী ওইবা য়েলহৌঙৈদগী হৌনা চৎনরকপা অনা-লায়েংগী মওং-মতৌ অমদি চৎন-পথাপ কয়া লৈ। লমদম অসিদা মহৌশা লাইরেম্বীনা পীবীরম্বা হিদাক ওইনা শীজিন্নবা পাম্বী মখল কয়া অমসু ফংলি। অদুবু ঙসিদি মেদিকেল সাইন্সনা চাউখৎলকপগী মতুংইন্না হান্না লৈজরম্বা অনা-লায়েংগী পথাপশিং অমদি হিদাকশিং শীজিন্নবগী চাং হন্থবগী মরম ওইরক্লি। মমাংঙৈগী মতমদা অনা-লায়েং চথবগী মওং-মতৌ অমদি শীজিন্নরম্বা হিদাক লাংথকশিংগী মতাংদা ঐখোয়না রিসার্ছ তৌদুনা অমসুং সাইন্টিফিকেল্লি ওইবা মওংদা পুথোক্লনবা হোৎনবা য়াম্না মথৌ তারি। মসিনা মেদিকেল অমদি হেল্থ সেক্তরদা হেন্না খুন্মাং চাউশিনহনবগা লোয়ননা মালেমদা মশক তাকপা ঙমগনিসু হায়খি।

থৌরম অদুদা প্লান্নিংগী কম্মিস্নর দেভেস দেবাল, আই বি এস দিগী দিরেক্টর প্রোফেসর পুলোক কে মুখজীসু দেজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

শৈরেং শৈদিন্নবগী থৌরম পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, মার্চ ১০ (ঐচ এন এস) :

দি কলচরেল ফোরম মণিপুরনা শীন্দুনা লাক্লিবা মার্চ ১৪গী নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা ওল্ড এসেম্ব্লী রোদ ইম্ফালদা লৈবা মণিপুর হিন্দী পরিষদকী হোলদা য়েন্নিংথা শৈরেং শৈদিন্নবগী থৌরম অমা পাঙথোক্লগনি হায়না দি কলচরেল ফোরম মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি ক্ষেত্রি রাজেননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, য়েন্নিংথা শৈরেং শৈদিন্নবগী থৌরম অসিদা সাহিত্য একাদেমী এৱার্দী রাজকুমার ভুবনসনা অমসুং দি কলচরেল ফোরম মণিপুরগী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর হুইরেম বিহারীনা অথোইবা লেংবীরকপা অমসুং থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াবীগনি। থৌরম অসিদা শরুক য়াবীগদবা পুম্নমক্না মতম চানা লেংবীরক্তুনা শরুক য়াবীয়ু হায়নসু দি কলচরেল ফোরম মণিপুরগী মায়কৈদগী আপিল তৌজরি হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুরদা রেভিন্যু দিফিসিট গ্রান্ট ওইনা লুপা ক্রোর ২৩৫ পীরক্লে

ইম্ফাল, মার্চ ১০ (ঐচ এন এস) :

সেন্তরনা মণিপুরদা রেভিন্যু দিফিসিট গ্রান্ট ওইনা লুপা ক্রোর ২৩৫ পীরক্লে। ষ্টেট ১৪ দা পুন্না লুপা ক্রোর ৬,১৯৪ পীরকপগী মনুংদা মণিপুরগী ওইনা শেনফম অসি য়াওরকপনি।

হৌজিক ফাওবদা সেন্তরনা পোষ্ট দিভোল্যুসন রেভিন্যু দিফিসিট গ্রান্ট ওইনা লুপা ক্রোর ৭৪,৩৪০ ইলিজিবল ষ্টেটশিংদা পীরকখ্রে। ১৫ শুবা ফাইনান্স কম্মিসন্না সেনবা চহী ২০২০-২১ গী ওইনা ষ্টেট ১৪ দা লুপা ক্রোর ৭৪,৩৪০ পোষ্ট দিভোল্যুসন রেভিন্যু দিফিসিট গ্রান্ট ওইনা পীনবা রেকমেন্দ তৌখি। কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ২৭৫ গী মখাদা ফাইনান্স কম্মিসনগী রেকমেন্দেসন মতুং ইন্না থা খুদিংগী ষ্টেটশিংদা রেভিন্যু দিফিসিট গ্রান্টকী শেনফম পীদুনা লাকখি।

করম করম্বা ষ্টেটশিংনা শেল কয়া য়াম্না ফংগদগে হায়বদু কম্মিসন্না শেনবা চহী ২০২০-২১ গী রেভিন্যু অমসুং এক্সপেন্দিচর য়েংলগা লেপ্পনি। গ্রান্ট ফংবা য়ারে হায়না কম্মিসন্না রেকমেন্দ তৌখ্রবা ষ্টেটশিংদি মণিপুর, অন্ধ্রপ্রদেশ, অসাম, হিমাচল প্রাদেশ, কেরলা, মেঘলয়া, মিজোরাম, নাগালেন্দ, পঞ্জাব, সিক্কিম, টামিল নাদু, ত্রিপুরা, উত্তরখন্দ অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলনি।

মার্চ ২৬ তা লৌমীশিংনা ভারত বন্দ কৌখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১০ (ঐচ এন এস) :

সেন্তরগী ফার্ম লোশিং য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা খোঙজং চঙশিল্লিবা লৌমীশিংনা মার্চ ২৬ তা ইন্দিয়াগী মফম শিনবা থুংনা বন্দ তৌরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

লৌমীশিংগী অপূনবা লূপ অমা ওইরিবা সময়ুক্তা কিষান মোর্চানা হায়খি মদুদি ভারত বন্দ মায় পাকহন্নবগী পান্দমদা ট্রেদ য়ুনিয়নশিং অমসুং অতৈ লূপ কয়াগা লোয়ননা অপূনবা মীফম অমা পাঙথোক্লগনি। ন্যু দেল্লীগী ঙমখৈদা লৌমীশিংনা ফার্ম লো য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা খোঙজং চঙশিল্লকপা মার্চ ২৬ তা থা মরি মপুং ফারে। নবেম্বর ২৬ তগী লৌমীশিংনা ফার্ম লোশিং চৎনবা য়ারোই হায়না অকনবা খোঙজং চঙশিনবা হৌখিবনি।

জনুৱারী ২৬ তা খোঙজং অসিগী শরুক অমা ওইনা লৌমীশিংনা ট্রেক্টর রেল্লি অমা পাঙথোকপদা পামদবা থৌদোক থোকপদগী অশোক অপন য়াওখি। লৌমীশিংনা ফার্ম লোগী মায়োক্তা চঙশিল্লিবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ‘এন্টি-কোর্পোরেট দে’ অমসুং ‘এন্টি গভর্ণমেন্ট দে’ পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরি। সহিদ ভগত সিংহনা লৈবাক্কীদমক থৱায় থাখিবা নুমিৎ নীংশিংবা ওইনা মার্চ ২৩ দা তোঙান তোঙানবা মফমদগী মীওই কয়ানা দেল্লীগী ঙমখৈদা লাক্তুনা লৌমীশিংগী খোঙজংদা শরুক য়ানবা থৌরাং তৌরি।

খোঙজং অসিগী শরুক অমা ওইনা মার্চ ২৮ দা ফার্ম লোশিংগী কোপি মৈ থাগনি হায়না লৌমীশিংগী লূপ কয়ানা ফোঙদোকখ্রে।

পনবা য়াবদি, মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা লূপশিংনসু ফার্ম লোগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌবা লৈখ্রবনি।

[illegible]

ADMISSION OPEN

PHOENIX ENGLISH COACHING

SPOKEN ENGLISH & ENGLISH GRAMMAR COURSES FOR ALL AGES
ALONG WITH X & XII ENGLISH CRASH COURSES
FOR MANIPUR BOARD & COUNCIL

PLEASE CONTACT 8974642764 FOR DETAILS
KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL LAIMAYUM LEIRAK,
IMPHAL

HL-B/6689/10/1-7/2(alt)

APOLLO ACADEMY
Moulding Medical & Engineering Career
ADMISSION OPEN
Exam. Idea Revision Course for XII Sc. H.S.E. -2021
Class Starts :15th March, 2021, Time: 5:15 A.M. to 9:00 A.M.

Facilities :
- ✓ Suggested Qs. & Answers
- ✓ Solved previous year questions
- ✓ Provided Study Materials
- ✓ Mega Mock Test

Phy., Chem., Bio, Maths (COHSEM, CBSE)
M.M., Eng. (COHSEM)

✓ Lodging for Boys & Girls :
Office timing : 6:00 A.M. to 4:00 PM.

For details, kindly contact :- APOLLO Office, Kwakeithel Bazar, Near AMUCO Office.

HL-B/6795/11-17

[illegible]
NIT NONGIN INSTITUTE OF TUTORIALS
HOPE FOR FUTURE
Under the Raja Dumbra Singh , Educational Complex
Purana Rajbari (Konung Mamang), Imphal East, Manipur

ADMISSION OPEN FOR REVISION COURSE

CLASS X & XII (SC.)(BOSEM,COHSEM)
CLASS STARTING - 3rd FEB, 2021

CLASS X & XII SC. (CBSE)
CLASS STARTING - 11th FEB, 2021

SPECIAL FOUNDATION COURSE FOR (IX & X) (BOSEM)
STARTING ON - 4th MARCH, 2021

* Only 30 students per batch.
* Class test will be conducted.
* Carrer Counselling for future study.
* Study Material will be provided.
* Self study hour under the guidance of expert daily.
* Transport & Hostel facility will be abailable.

Office Hour : 2:00 p.m. - 8:00 p.m. & Class Timing : 3:30 p.m. - 7:30 p.m.

RDS High School Konung Mamang (Purana Rajbari)
Contact No. - 8014221074 / 7005787091

HL-B/6719/21/1-26/2